
# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, APRIL 22, 2018 PAGE 7




*ইপিএলগী সিজন অমদা পাঞ্জল খ্বাইদগী য়াম্না চনবা (৩১) গী রেকোর্দ থল্লিবা রোনাল্ডো (মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ), সিয়ারর (রোভর্স) অমসুং লুই স্বারেজ (মেঞ্চেষ্টর সিটি) মান্নবা ঙমখ্রবা লিভরপুলগী মোহমদ সালা*

*চৎলিবা সিজন অসিগী লোইশিল্লকপদা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব আর্সনেলগী কোচ ওইবদগী পোত্থারগা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনগী অনৌবা কোচ ওইবা য়ানা লৈরিবা আর্সন রেঙ্গর*



# য়ুএসএদা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা চথ্নগদবা ত্রেনিংগী খোঙচৎ অদু ভিসাগী চয়েৎনবা লৈবা মরম্না চৎখিদ্রে

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২১ঃ*

য়ুএসএদা লৈবা মমিং লৈরবা মাইকেল জোনসন সেন্টরদা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা ত্রেনিং খোঙচৎ অমা চৎকনি হায়না তৌরম্বা অদু শান্নরোইশিংগী ভিসাগী চয়েৎনবা লৈবা মরম্না মপুং ফাখিদ্রে।

বোক্সরশিং অদুনা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা অহানবা ওইনা সেন্টর অদুদা ত্রেনিং কম এক্সপোজর খোঙচৎ অমা পাঙথোকনি হায়না তৌরম্বা অদুসু ভিসাগী চয়েৎনবনা মরম ওইরগা চৎখিদবনি। হায়রিবা খোঙচৎ অদু হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা লোইশিনখিবা কম্মনৱেল্‌থ গেমসকী শেম শাবা ওইনা চৎকদবা খোঙচৎ ওইখিবনি।

দিসেম্বর খোঙচৎ অদু মায় পাকখিদ্রবা মতুং চৎলিবা চহী অসিগী মেগী অহানবা চয়োলদা য়ুএসএগী টেক্সাসতা লৈবা মাইকেল জোনসন সেন্টর অদুদা নৌনা চৎননবা হোৎনখিবনি। মদুসু ভিসাগী চয়েৎনবা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং



অদুগী খোঙচৎ মপুং ফাদনা য়ুএসএগী ত্রেনিং টুর অদু অনীরকশুবা ওইনা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা ফংবা ঙমখিদবনি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফেদরেসননা য়ুএসএগী খোঙচৎ অদুগী মহুত্তা অতোপ্পা খোঙচৎ অমা চৎননবা শেম শাদুনা লৈরবসু অনৌবা খোঙচৎ অদু কদাই ফাওবা ওইথোক্কদগে হায়বা তম্বা ঙমদ্রি হায়খি।

য়ুএসএগী টেক্সাসতা লৈবা সেন্টর অদু ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেডল ৪ রক ফংবা ঙমখ্রবা অমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৯ লক টাইটল ফংখ্রবা এঠলিট মাইকেল জোনসননা কুমজা ২০০৭ দা লিংখৎখিবনি।

সেন্টর অসিদা মখল খুদিংগী এঠলিট অমদি শান্নরোইশিংনা ত্রেনিং তৌরি অমসুং মখা তানা কয়া অমসু ত্রেনিংগীদমক ঙাইনদুনা লৈরিবনি। সেন্টর অসিদা মরুওইবা পার্ফোমেন্স ত্রেনিং, ফিজিকেল থেরাপি, বাইওমেকানিকেল এসেসমেন্ট অমসুং ন্যুট্রিসন কনসলটেসনগী ওইবা মালেমগী থাক ৱাংবা খুদোংচাবশিং লৈরিবনি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা মমাঙদা শেম শাবা কেম্প ওইদুনা ক্যুবা অমদি য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা কাল্ল-কাল্লগা চৎতুনা বোক্সরশিংগী পার্ফোমেন্স হেন্না ফগৎনবা হোৎনরকপনি।

অদুবু হন্দক অহানবা ওইনা য়ুএসএগী টেক্সাসতা লৈরিবা মাইকেল জোনসন সেন্টরদা অহানবা ওইনা শেম শাবা কেম্প পাঙথোক্লনবা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শেমগৎলকপা খোঙচৎ অদু অনীরকশুবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখিদবনি।

# *হুরানখিবা য়ুরোপা লীগ ট্রোফি মেক্সিকোদা ফংখ্রে*

*মেক্সিকো সিটি, এপ্রিল ২১ঃ*

*য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্টশিংগী পরিংদা অনীশুবদা লৈরিবা য়ুরোপা লীগকী ট্রোফি অদু মেক্সিকোদা মীয়ামদা উৎননবা পুরকপদা হুরানখিবা অদু সিটি অদুমক্কী মফম অমদা ফংখ্রে হায়রি।*

*য়ুরোপা লীগ ট্রোফি অদু ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা ফ্রান্সকী সিটি লিওনদা লৈবা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা মীয়ামদা উৎখিবনি। মেক্সিকোগী ষ্টেট গ্বানাজুৱাটোগী পব্লিক প্রোজিক্যুটর অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না লিওনদগী পুরকখিবা য়ুরোপা ট্রোফি অদু কার অমদগী হুরানখিবনি। অদুবু পুংশিং খরা লৈরগা ষ্টেট অদুগী মফম অমদা ফংখিবনি হায়না ত্বিটরদা ফোঙদোরক্লি।*

*অদুবু ট্রোফি অদু কনানা হুরালুবনো অদুগা ফংফম অদুসু প্রোজিক্যুটর অদুনা ফোঙদোকপদি লৈখিদে।*

# মোন্টে কার্লো মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং জপানগী কৈ নিসিকোরি লম্বা তৌনরগনি

*মোনাকো, এপ্রিল ২১ঃ*

নুপাগী সিঙ্গলসকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই স্পেনগী রাফেল নদালনা জপানগী কৈ নিসিকোরিগা মোন্টে কার্লো মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা বলগেরিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ গ্রিগোর দিমিত্রোভকা লম্বা তৌরকপদা অহানবা সেটতা লেঙখরা মান্নরবসু নদালনা ৬-৪ দা থোইখি।

অনীশুবা সেটতা নদালনা দিমিত্রোভপু লাকশিল্লকপা হেল্লকপদগী মহাক্কী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-১ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌখিবনি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমসুং সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিগা লম্বা তৌনখি।

পনবা য়াই জপানগী নিসিকোরিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকপু ৬-৪, ৬-৭(১-৭), ৬-৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ঙসিগী সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট জর্মনিগী জ্বেরেভনা নিসিকোরিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩ দা থোইরগা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা জপানগী শান্নরোই কৈ নিসিকোরিনা জ্বেরেভকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩ দা থোইরগা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা সেটতা শান্নরোই অনীমক অকনবা লম্বা থেংনরকপদা গেম ৮ ফাওবা নাকল অনীমক্তগী গেম ৪-৪ থোইনদুনা লৈখি। জপানগী শান্নরোই নিসিকোরিনা ৯শুবা অমদি ১০ শুবা গেম অদু থোইদুনা অহুমশুবা সিদেদ জ্বেরেভপু ৬-৪ দা মায়থিবা পীবগা লোয়ননা হয়েং মোন্টে কার্লো মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদালগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ৪শুবা সিদেদ পেয়র য়ুএসএগী ব্রাইন ফাইবোক্লা ইটালিগী পেয়র সাইমোন বোলেলি অমসুং ফাবিও ফোগনিনিবু সেট ২-১ দা থোইদুনা ফাইনেল চঙখি।

সেমি ফাইনেলগী অহানবা সেট অদু ইটালিগী পেয়র অদুনা য়ুএসএগী পেয়র অদুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪ দা থোইরগা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা য়ুএসএগী বোব ব্রাইন অমসুং মাইক ব্রাইননা ইটালিগী সাইমোন বোলেলি অমসুং ফাবিও ফোগনিনিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩ দা থোইরগা দিসাইদিং সেটকীদমক শেম শান্নখি।

সুপর টাই ব্রেক ওইখিবা সেট অদু পোইন্ট ১০ য়ৌবা পেয়রনা মায় পাক্কদৌরিবনি। মদুদা পেয়র অনীমক অকনবা মওংদা শান্নরক্লবা মতুং ৪শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা ব্রাইন ফাইবোক্লা ইটালিগী পেয়র সাইমোন বোলেলি অমসুং ফাবিও ফোগনিনিবু ১০-৭ দা থোইরগা ফাইনেল চঙখি।



*মোন্টে কার্লো টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা স্পেনগী নদাল (ওই) অমদি জপানগী নিসিকোরি*

# দকৱার্থ লেৱিস মেথদতা কিংস এলভেন পঞ্জাবনা কোলকতা নাইথ রাইদর্সপু ৱিকেট ৯ দা আইপিএলগী ১৮শুবা মেটচ অদু থোইখ্রে

*কোলকতা, এপ্রিল ২১ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ১১রকশুবা সিজনগী ঙসি কোলকতাদা লৈবা ইদেন গার্দেন্স ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ১৮শুবা মেটচ অদু য়ুম্বু ওইখিবা কোলকতা নাইথ রাইদর্স নোংনা মরম ওইরগা দকৱার্থ লেৱিস মেথদতা ৱিকেট ৯ দা কিংস এলভেন পঞ্জাবনা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস কিংস এলভেন পঞ্জাবকী কেপ্টেন রবিচন্দ্রন আস্বিননা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। কোলকতা নাইথ রাইদর্সনা হৌরকপা মখোয়গী ফিভম শোকখি। টিম অদুগী ওপনর সুনিল নরাইন রন অমখক লৌরগা আওট ওইখি।

মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা রোবিন উথাপানা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা খৃস লিনগা লোয়ননা রন ৭৮ হাপচিন্দুনা ফিভম খরা শোক্লুবা অদু খরা ফুক্কৎপা ঙমখি।

বোল ২৩ দা সিক্স ১ গা লোয়ননা ফোর ৬ য়ৈখিবা নাইথ রাইদর্সকী রোবিন উথাপা রন ৩৪ দা আওট ওইদুনা নিটিস রানা শান্নবা চঙলকখি।

মহাকসু কুইনা লৈবা ঙমখিদে। রন ৩ দা আওট ওইখিবদগী কেপ্টেন দিনেস কার্থিক শান্নবা চঙলকখি। কার্থিক অমসুং মশাগী রন ৫০ লান্থোকখ্রবা খৃস লিননা রন ৬২ গী পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা কোলকতা নাইথ রাইদর্সকী অপুনবা স্কোর অদু রন ১৪৭ শুহল্লকখি।

লিন ১৭শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা মশাগী রন ৭৪ দা আওট ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা বোল ৪১ মায়োক্লবদা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৬ য়ৈবা ঙমখি।

কার্থিকনা মরুওইবা কেপ্টেনগী থৌদাং লৌদুনা রন লৌবগী খোঙজেল থুহন্নবা হোৎনরকখি। মহাক্কা পার্টন ওইখিবা এন্দ্রি রসেল রন ১০ দা আওট ওইখ্রবা মতুং ১৯শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা কার্থিক রন ৪৩ দা আওট ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা বোল ২৮ মায়োক্লবদা ফোর ৬ য়ৈরমখি।

ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা কোলকতা নাইথ রাইদর্সকী ইন্নিংস অদু ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৯১ লৌখি।

মেটচ অদু মায় পাক্লবা কিংস এলভেন পঞ্জাবগী লোকেস রাহুল অমসুং খৃস গেলনা ইন্নিংস হৌরকখি। মখোয় অনীনা রন লৌবগী খোঙজেল য়াম্না থুনা ওভর অমদা রন ১১ হেন্না লৌবা ঙমদুনা কোলকতা নাইথ রাইদর্সকী বোলরশিং অদুবু অৱাবা পীখি।

১২শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা ওপনর লোকেস রাহুল মশাগী রন ৬০ দা আওট ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা শুপ্নগী বোল ২৭ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৯ য়ৈরমখি। মতম অদুদা কিংস এলভেন পঞ্জাবগী অপুনবা স্কোর ওভর ১০ শুরকপদা ১১৬ লৈখি।

ময়াঙ্ক অগরৱালনা রাহুলগী মহুৎ শিল্লকপনি। মখা তানা ইন্নিংস অদুগী বোল ৩ শান্নবা লোইশিল্লকপদা ষ্টেদিয়ম অদুদা নোং চুরকপা মরম্না মখা তানা মেটচ অদু শান্নবা য়াখিদবদগী দকৱার্থ লেৱিস মেথদতা কিংস এলভেন পঞ্জাবনা মেটচ অদু ৱিকেট ৯ দা থোইখি।

ওপনর খৃস গেল আওট ওইদনা বোল ৩৮ দা সিক্স ৬ অমসুং ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৬২ দা লৈখি। অদুগা অগরৱালসু আওট ওইদনা রন ২ লৌরগা লৈখি।

ঙসি অথেংবদা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গালোর অমসুং দিল্লি দেয়র দেভিলস শান্নগনি।



*কিংস এলভেন পঞ্জাবগী শান্নরোই খৃস গেল অমসুং ময়াঙ্ক অগরৱালনা মেটচ মায় পাক্লবা মতুং ক্রিজদগী থোরকপা*

# ফেদরেসন কপ টেন্নিসকী সেমি ফাইনেলদা জেক রিপব্লিকনা জর্মনিবু মাঙজিল থারি, অদুগা য়ুএসএ অমসুং ফ্রান্স মেটচ অমমম থোইনদুনা লৈরি

*ষ্টুটগার্ট। পেরিস, এপ্রিল ২১ঃ*

মালেমগী টেন্নিস শান্নবা লৈবাকশিংগী নুপীগী টিম টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফেদরেসন কপ ৱার্ল্ড গ্রুপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৮ কী সেমি ফাইনেলদা জেক রিপব্লিকনা জর্মনিবু মেটচ ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরি। অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা য়ুএসএ অমসুং ফ্রান্স মেটচ অমমম থোইনদুনা মান্নরি।

জর্মনিনা য়ুম্বু ওইরগা ষ্টুটগার্টতা শান্নবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা জেক রিপব্লিকনা সিঙ্গলসকী মেটচ অনী থোইদুনা মাঙজিল থাখিবনি।

অহানবা সিঙ্গলসকী মেটচ অদুদা জেক রিপব্লিককী পেত্রা কিটোভানা জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেসপু ৬-৩, ৬-২ দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা মেটচ ওইখিবা অদুদা জেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিজকোভা অমসুং জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরগী লম্বা অদুদা অহানবা সেট প্লিজকোভানা ৭-৫ দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা সেট অদুসু মহাক্না কর্বরবু ৬-৩ দা থোইদুনা জর্মনিবু মেটচ ২-০দা জেক রিপব্লিকনা মাঙজিল থাখিবনি।

পেরিসতা ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইরগা য়ুএসএগা শান্নবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল অদুদা অহানবা মেটচ অদু য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা ফ্রান্সকী কোলিন পার্মেন্টিয়ারবু ৭-৬(৭-৩), ৫-৭ দা অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরগা মায় পাকখি।

সেমি ফাইনেল অদুগী অনীশুবা মেটচ ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিস অমসুং য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগিগা লম্বা তৌনরকখি।

অহানবা সেট কোকো ভান্দিৱেগিনা ৬-১ দা লাদেনোভিসপু থোইখি। অনীশুবা সেটতা লাদেনোভিসনা অমুক ফজরকপদগী ভান্দিৱেগিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নরকখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগিগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২ দা থোইরগা সেমি ফাইনেল টাই অদু মেটচ অমমম থোইনরগা মান্নদুনা লৈরি।

হয়েং সেমি ফাইনেল টাই অনীমক্তা রিভর্স সিঙ্গলস মেটচ শান্নগনি

# সেরি এ দা রোমানা স্পাল ২০১৩ ক্লবপু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী অহুমশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে

*রোম, এপ্রিল ২১ঃ*

ইটালিগী রোমদা পাঙথোকপা সেরি এ ফুটবোল লীগকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রোমানা স্পাল ২০১৩ ক্লবপু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবাপীদুনা হান্না ৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৩শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মেটচ অদু শান্নদ্রিঙৈ মাঙওইননা মেটচ ৩৩ দা পোইন্ট ৬৪ ফংদুনা লাজিওগা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সনা লাজিওনা হেন্না ৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা রোমাগী লম্বা ওইখিবা স্পাল ২০১৩ পোইন্ট ২৯ ফংলগা ১৭শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

মেটচকী অহানবা হাল্ফ হৌবদগী রোমানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। অদুবু পুংখায় অমরোমগী মতম হৌজিল্লবা ফাওবদা পাঞ্জল চনবদি ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা রোমানা পুশিল্লকপা এটেক অমদা কাওশিনখিবা বোল অদু স্পাল ২০১৩ গী দিফেন্দর ফ্রান্সেস্কো ভিকাননা কাওথোকখিগদবদা মায়কৈ ওন্নদুনা মশাগী গোলদা চঙখিদুনা রোমাগী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

হাল্ফ মতুং শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা রোমাগী অথুবা এটেক অমদা রাজা নানগোলাননা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মখা তানা এটেক চথ্নবা হেনখিবা রোমাগী মায়কৈদগী পেত্রিক সিকনা ৬০শুবা মিনটতা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চন্দুনা স্পাল ২০১৩ বু পাঞ্জল হন্দাকপা ঙম্লোইদবা মওংদা ৩-০ দা হেন্দুনা লৈখি।

মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী রোমা মায় পাক্লুনা মেটচ ৩৪ দা পোইন্ট ৬৭ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখিবনি।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লিভরপুল ফুটবোল ক্লব অমসুং ৱেষ্ট ব্রোমৱিস অলবিওন পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

লিভরপুল লীগ অসিগী ৩৪শুবা রাউন্দ শান্নখিবদা পোইন্ট ৭০ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

মখোয়গী লম্বা ৱেষ্ট ব্রোমৱিস অলবিওন মেটচ ৩৪ দা শুপ্নগী পোইন্ট ২৫ ফংদুনা টিম ২০ গী লীগ অসিদা খ্বাইদগী মমৈদা লৈখি।

মেটচকী অহৌবা মিনটতা ৪ দা লিভরপুলগী দেনি ইংসনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। ৱেষ্ট ব্রোমৱিস অলবিওন রেলিগেসন জোনদগী লান্থোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লিভরপুলবু লম্বা পীরকখি। অহানবা হাল্ফ অদু দেনি ইংসকী পাঞ্জল অদুনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনট ২৭ চঙশিল্লকপদা লিভরপুলদা শরুক য়ারিবা ষ্ট্রাইকর ইজিপ্ত মচা মোহমদ সালানা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

পাঞ্জল ২ শোথ্নরবা ৱেষ্ট ব্রোমৱিস অলবিওনগী মায়কৈদগী জেক লিভরমোরনা শান্নবগী ৭৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। লোয়ননা টিম অদুমক্কী শান্নরোই জোস সালোমোন রান্দোননা ৮৮শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চল্লবা লিভরপুলনা মেটচ অদুদগী পোইন্ট ৩ ফংলমগদবা অদু পোইন্ট ১ খক ফংলগা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-২ দা দ্রো চৎখি।

স্পেনগী লা লীগাকী ৩৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা গেটাফেনা ঐবারবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা গেটাফে ১০শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৮শুবদা হাইগৎপা ঙমখি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা পুংখায় ফাদ্রিঙৈ মিনট ২৩ চঙশিল্লকপদা গেটাফেগী মাথিয়াস ওলিভিরানা অহানবা পাঞ্জল চনখি। ১২শুবা পোজিসনদা লৈরিবা ঐবারনা ইক্বেলাইজর অদু ফংনবা হোৎনখিবা অদু মায় পাক্তনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গেটাফেনা মখোয়গী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা অমরোমদা ঐবারনা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনরকপা অদু টিম অনীমক পাঞ্জল মখা তানা হাপচিনবা ঙম্নদবদগী মেটচ অদু গেটাফেনা ১-০ দা থোইদুনা মেটচ ৩৪ দা পোইন্ট ৪৮ ফংলগা হান্না ১০শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৮শুবা পোজিসনদা হাইগৎখিবনি।

লা লীগাগী অতোপ্পা মেটচ অমদা দিপোর্টিভো লা কোরুনা অমসুং লিগেন্সনা শান্নখিবা ৩৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি। লিগেন্স ১৪শুবা পোজিসনদা অদুমক হোংদনা লৈরি।

লা লীগাগী ৪শুবা পোজিসনদা লৈরিবা ভেলেন্সিয়া অমসুং ১০শুবা রেঙ্ক সেল্টা ভিগোগা ঙসি শান্নখিবা ৩৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ১৫ হাপচিল্লকপদা ভেলেন্সিয়াগী মায়কৈদগী সান্টি মিনানা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। সেল্টা ভিগোগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু টিম অদুগী এম গোমেজনা ৬৩শুবা মিনটতা চন্দুনা মেটচ অদু ১-১ দা দ্রো চৎখি।

জর্মনিগী বুন্দেলীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৩১শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বোরুশিয়া মোঞ্চেগ্লাবাগনা ৱোল্ফসবর্গপু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা বোরুশিয়া মোঞ্চেগ্লাবাগ ১১শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৮শুবা পোজিসনদা পোইন্ট ৪৩ ফংলগা লৈবা ঙমখ্রে।



*সেরি এগী মেটচ অমদা স্পাল ২০১৩ বু মায়থিবা পীরবা মতুং রোমাগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*